ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯲꯷, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯶꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ২৭, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ২৬৭শুবা মশীং

# অপূনবা, নুংশিনবগী পাদম
## পূম্নমক্না ঙাক্না চৎমিন্নগদবনি

মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী হৌরক্লোন, য়েলহৌ পুৱারীশিং লৈ। অপীকপগীসু লৈ, অচৌবগীসু লৈ। মখোয়না লৈরিবা লমশিংগীসু লৈ। মখোয়গী লোন-ময়েক, চৎনবী-নাৎ, চাকচা-য়ুথক অমসুং য়ূম্লে-কৈরৈ ফাওবগীসু লৈ। মসিমক্না মীপূম খুদিংমক্না মশাগী মশক অমসুং হৌরকফম খঙননবা হৌখ্রবা পুৱারীশিং তম্নরিবনি। অতোপ্পগী ফাওবা খঙননবা তম্নরিবনি। হায়বদি লৈমিন্নরক্লিবা পূম্নমক মশা-মশাগী ওইবা তোঙানবা অমসুং তোপ-তোপ্পা শক্তমশিং লৈজরিবনি। অদুবু মান্নদবা মীওই কাঙলূপ পূম্নমক অমত্তা ওইনা নুংশি চান্ননা লৈমিন্ননবা লৈবাকশিংনা মাগী মাগী ওইবা পাদমশিং লাক্তুনা থম্মী। লৈবাক মশেলগী মরক্তসু ঙাক্না চৎমিন্ননবা শেম্মী। ‘ৱর্ল্ড ইজ ৱান’ ‘য়ুনিভর্স ইজ ৱান’ হায়বগী অমত্তা ওইবগী লংলানা চেৎনা পুনশিনমিন্ননবগী থবক কয়া পায়খৎলি। হায়রিবসিমক লৈবাকসিদসু তৌই। ‘ইন্দিয়া’ হায়বসি মতৌ করম্না ওইরকখিবনো, হান্না করম্বা ফীভমদা করি ওইনা লৈরকখিবনো, হৌজিক্না করি ওইরি হায়বসি লোইনা খঙনরিবনি। অদুগা তুংদা ওইরক্কদবা ফীভমশিংনা করি ওইগদগে হায়বদু চপ চানা মাঙজেননা খঙদোকপা ঙমদ্রবসু ওইরকপা য়াবশিংদি খরমখৈদি লেপথোকপা ঙম্নরিবনি। মণিপুরগীসু অদু মঙাই। ফুরুপ-কাঙলূপ মশীং য়াম্না লৈমিন্নরকপদগী ‘মিনি ইন্দিয়া’ হায়দুনা ফাওবা খঙনরক্লিবনি। লৈবাক অপূনবগী ওইনা লৈবগী মথক্তা ষ্টেটসিগী ওইবা পাদম লৈজরক্লিবনি। তুংদা মণিপুরগী ওইবা লৈবাক-লৈঙাক্লোনদা অহোঙবা, অওনবা লাকপা নৎত্রগা লাক্তবা হায়বদুনা লৈবাকসিগী ওইবা ফীভমদা য়ূম্ফম ওইরক্কদৌরিবনি। অদুম ওইনমক হৌজিক ফাওবগীদি লৈরক্লিবা পাদমসিগী মনুং চন্না মণিপুরগী ফুরুপ-কাঙলূপ পূম্নমক্কী মীওইশিং অমত্তা ওইমিন্নদুনা মখা তানা লৈমিন্ননবা হোৎনমিন্নগদবনি।

মালেমগী মমিং লৈরবা অইবশিংগী মনুং চল্লিবা অমনা মহাক্কী শৈরেং অমদা ‘নো লেন্দ আর ফোরেন, নো মেন আর ষ্ট্রেঞ্জ’ হায়বা ৱাফম ফাওবা ফোঙদোক্লম্বা লৈ। অদুবু মসিনা লিটরেচরগী ৱাফমনি হায়দুনা লৌরবা ফাওবদসু মীওইবা অমনা অমদা চেলহনগদবা ফজরবা পূক্নিং-ৱাখলগী ইহুল অমদি পীরি। অদুবু ৱাখল্লোন শোমদা পুল্লপ চৎত্রবসু হৌজিক লৈজরিবা পাদমসিগী মনুংদা মসিদগী হেন্দোক্তুনা ঙাক্না চৎমিন্ননবা হোৎনবা চঙই হায়বনি। পীক্লবা মণিপুরদা লৈমিন্নরক্লিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তগী অমনা নৎত্রগা খরনা মখোয় মখোয়গী ওইবা হোমলেন্দ অমা তাল্লকপগী ৱাফম লৈজরক্লিবা পাদমসিনা য়াদে। ফুরুপ-কাঙলূপকী মমিং-মথা অমসুং লাইনিংলোন অমদি চাকচা-য়ুথক তিন্নে, মান্নে হায়দুনা য়ূমথংনরিবা নৎত্রগা অতোপ্পা ষ্টেটতা পুনশিনজখ্রগে হায়রকপা য়ারোই। হিন্দু লাইনীংলোন, ইস্লাম লাইনিংলোন চৎতুনা লৈমিন্নরক্লিবশিংনসু মখোয়গী ওইবা হোমলেন্দশিং পীয়ু অমসুং মখোয়গী লাইনীংগা মান্ননা চৎপা মী য়াম্না লৈবা অচৌবা ষ্টেট অমসুং লৈবাকশিংদা পুনশিঞ্জখ্রগে হায়রকপা য়াগদ্রা? য়াবা-য়াদবগী ৱাফম তরাইথোকখ্রদনা অসিগুম্বা ৱাখল চেনবা, ৱাফম্বু হৌদোরকফম থোকপ্রা হায়বগী ৱাহং মথং-মথং চোঙথোরক্কনি। ৱাফমসিগী ঈহুল ফাওবা চেল্লোইদবনি। অদুগা মীশিং য়াম্বা, খরা হেন্না চাওবা ফুরুপ্না অপীকপা ফুরুপশিংবু হন্থনা য়েংদুনা তাথী-তাওইনা তৌরোইদবনি। ওইথোকপা য়াবা পান্বেশিং শীজিন্নরগা মশাগী লাইনীং চৎচরিবা মীওই অমবু নৎত্রগা খরবু অতোপ্পা লাইনীং অমদা নমদুনা ওনশিনহনবগী থবকসু তৌরোইদবনি। মসিগী মথক্তা মান্নদবা/খেন্নবা ফুরুপ/কাঙলূপশিংনা হায়ফম থোকপা অমসুং তানফম থোকপনি হায়দুনা ৱাফম কয়া পুখৎনরক্লোইদবনি। মনীং-মমাঙ হন্দোক-হঞ্জিন তৌনরগা পূম্নমক্না য়ানবা, অমত্তা ওইবা পাদমগী চৎনবী ঙাক্না চৎমিন্নগদবনি। হায়রিবা ফীভমসিদবু পুরকপা ঙম্লবদি লৈমিন্নরক্লিবশিংগী মরক্তা তাবা নুংঙাইতবা অকনবা ৱাহে খোন্দাসু ঙাঙনরক্লোই, থোকহন্নীংদবা থৌদোকসু অমত্তা থোক্লোই। মরমশিং অসিনা অহানবদা ঐগী, ঐ খক্তগী হায়বা ৱাখল্লোনসিদগী পূম্নমক্না লাপ্না নাথৈদুনা লৈগদবনি। পূম্নমক্না য়েৎনদনা য়ানবা পরিং অমদা খূৎশম্নना চৎমিন্নগদবনি। মসিনা পাদমসিসু অপূনবা, নুংশিনবগী পাদম ওইহনবা ঙমগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫৬

১) **“মণীগী মঙাল”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“মখৈ লৈত পেঞ্জবা”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবদগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ঈথৈখ্রবা ঈচেল”** হায়বসিগী অইবা কনানো অমসুং লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৪) **“হিমায় চুম্বা হিরোয়গুম/হিথাংফম য়ৌনা হি হোনলিবী/ঈচেল কনবা লাইজদসু/নৌবু খূৎপায় চেৎলিবী/থোৎলবদা নঙ লৈরাংনি/কনবদা নুংগা চাংদম্লিবী/ঈশ্বরগী অঙকপা খূৎশেম/নুপী নঙ হীংদুনা লৈয়ু/য়ুগ য়ুগ খুদিং॥”** শৈরেং মতেক অসি মপান মণিপুরগী অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো? মহাক্কী করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগী লৌথোরকপনো?

৫) **“লৈমরেম্বীনি ঐ”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রোওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হিংবা অমসুং শিবগী পুন্সি খোঙচৎতা, ‘হেপ্পি ন্যু য়র ২০২৩’!

**হেক্তা হায়নীংলকই - ৭৩৩**

**জিতেন নামৈরাকপম**




কুমজা ২০২২ লোইরমদাইগী মতম কুমজা ২০২৩গী অনৌবা চহী হৌরক্কদবা লংদাইগী মতম অসিদা নুংঙাইবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। খল্লুবদা ওন্থোক্না নুংঙাইতবা ফাওই। ঙরাং নহান্তনি মণিপুর পুলিসকী ৱায়রলেস ওপরেটর অমনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরুনা পানবদা মৌ নহা অমা শিখি। পল্লেল পুলিসতা লৈবা পুলিস ৱায়রলেস ওপরেটর অদু পুলিসনা ফাখ্রে। মশাগী দ্যূটিগী ৱাংমদা নুমিদাংগী মতমদা পান দুকানগী ক্না য়োনফম অদুদা নিংঙাই শংদানরকপদগী খঙহৌদনা কাপথোরকপা নোংমৈ মরূনা পানদুনা শিখিবগী পাউ অদুগী ৱারীদি মীয়াম পূম্বনা খঙনরবনি। অমুক্কসু ৱর্ল্ড কপ ২০২২গী ফাইনেল নুমিৎতা খঙহৌদনা কাপথোরকপা মরূনা শীংজমৈদসু নুপী অমা পান্দুনা শিখি। অশিবতনা মাঙজৈ। মমল য়ামখ্রবা মখোয়গী পুন্সিদুদি অমুক হন্না হিংগৎলকউ হায়বা য়ারোই। মণিপুরদা লাইসেন্স গন পায়বা নৎত্রগা অরোনবা মশাগী নোংমৈ পায়বা মকোক বেরা লৈবা মী অসুক্কী মতিক য়াম্না লৈরে হায়বসি থৌদোক অনী অসিদসু নত্তনা মমাঙদা থোকখিবা থৌদোক কয়ানা শাখি ওইরি। গাড়ী কন্না থৌনবদগী ওভরটেক তৌনবদা ফাওবা নোংমৈ শৎতোক্তুনা কাপ্পদগী শিখিবগী থৌদোক কয়াসু লৈখি।

শিনীংবা মীবু কনা লৈবগে? শোয়দনা শিরগদবা মীওই কয়া অমসু শেল চঙনা চহী ১/২ নৎত্রগা থা অমতং ওইরবসু হিংনবগীদমক লায়েংনরিবনি। নোংমৈনা পানবদগী শিবগী মথক্তা রোদ এক্সিদেন্ট থোকপদগী শিবা মশীংনা অসুক্কী মতিক য়াম্না হেনখি। লম্বী ফত্তবা, পোট হোল, জর্কিং, ত্রাফিক রুল ঙাক্তনা গাড়ী থৌনবা, গাড়ী চিনখ্রবা ত্রাফিক পোইন্ট ক্বাকৈথেল, কৈশাম্পাৎ, চীংঙা/শীংজমৈ, ইম্ফাল পোষ্ট ওফিস মমাঙ, নিত্যাইপাৎ চুথেক, কংলা মনীং, এম জি রোদ হাইজিনফম, খুয়াথোং, নোর্থ এ ও সী, চীংমৈরোংনচিংবা ত্রাফিক লাইট রেদ, য়েল্লো, গ্রীন নমখায়রগা পংথৌদা থৌজিন্নবদগী গাড়ী থোমগাইনবা য়াম্না য়াওখি। দিজিটেল কাউন্ট দাউন তৌরক্তুনা গ্রীন লাইট থান্দুনা লাইন হেক থারকপগী সেকেন্দ ২/৩গী মতুংদা রেদ লাইটরোমদগী থৌজিল্লকপা গাড়ী খান্লুবা ত্রাফিক পুলিসকী মখোঙদা চাকানা তকশিল্লকফাও থেংনখ্রে। সিভিক সেন্স লৈতবা মীওইনা নম্লবা মণিপুরদা ত্রাফিক রুল ঙাক্তনা থৌনবদগী মীশি মীনা অসুক্কী মতিক থোকপা লমদমনি।

তৌবতবু হন্দক চহী লোইরমদাইগী মতম অসিদা য়াইরিপোক তোপ চীংথাগী থম্বালনু হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিংনা নোনে দিষ্ট্রিক্তকী খৌপুমদা এক্সকর্সন/ষ্টদি টুর চৎপদা এক্সিদেন্ট থোকপদগী মহৈরোয় ৭ য়াওনা ওজা অমা অমদি ৱার্দেন য়াওনা মীওই ৯ লৈখিদবা অদুনা হন্দক্কী চহীগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থীবা থৌদোক ওইহৌরে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা অমদি অশোকপশিংগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি। তুংদা অসিগুম্বা থৌদোক অমত্তা থোকহন্নীংদে।

শিবা অমসুং হিংবা মীওইবগী মপোক অসিদা ঐ ইশামক্কী ওইনসু খুদোংথীখ্রবা এক্সিদেন্ট কয়া থোকখ্রে। অদুবু চেঙ লৈব’কা হায়নবদুগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদি হিংজরি। অঙাং ওইরিঙৈদা পুখ্রিদা তাবদুদা শিরম্বসু অদুম্মক য়ারবজাৎনি অদুবু শিহৌদ্রে। মতুংদা ঐগী পন্সিদা গাড়ী এক্সিদেন্ট ৬ লক্কুম্বা থোকখ্রে। পন্টন বজাররোমদগী খানাপারারোমদা ঐখোয় ৪ তোংদুনা থৌরকখিবা কার ময়াম চেল্লকপদা লম্বী-নাকন্দুনা চেনবা নুংলক্তুদা ওন্থবদগী গাড়ীদু মথক মখা ওনখিবনি। ঐখোয় ৪ অমত্তদি শিহৌদে। থোং ফকখায়রগা লিৎথোক্লরকখি। নোংমগী নুমিদাং অমদনা সিৱেরেজ প্রোজেক্টকী ম্যেন রোদ তৌখায়রম্বা থাংমৈবন্দ এ বি সী গোদাউন্দদগী খরা হাইগৎলক্লগা লৈরম্বা কোমজাও অমদা ঐগী কেলিবর মোটোর সাইকল থৌদখি। য়েৎ থংবগী রিব মরিগা কোল্লর বোনগা তেকখি, মদুদসু হিংহৌরবনি। মসিদসু নত্তে নম্বুল তুরেলগী বার য়াওদবা উগী থোং থৌগৎলকপদা তোর্ব্বান্দা ঐখোয় অনী পুল্লপ তাবসু য়াওখ্রে। অসি নত্তবা খোঙনাংদা গাড়ী থৌগৎলুবগী কোক্কী বেন্দেজ য়েৎখিবনচিংবা থৌদোক কয়াসু লৈখি। হৌজিকফাওবা হিংলগসু হয়েংদি করম থোক্লগবা তম্বা ঙম্বা নত্তে। তৌবতবু হিংবদি হিংনীংলি।

মরম চাদনা মতম চাদনা শিবা কনামত্তা পান্নদ্রগসু খৃষ্টনা পোকত্রিঙৈ মমাঙ চহী ৪৫৬তা গ্রীককী অফাওবা দ্রামাটিষ্ট এইস্কাইলস শিখিবগী ৱারী নীংশিংলকই। মহাক অতিয়াদগী তারকপা পোৎ অমনা পান্দুনা শিগনি হায়বা লাইফাও অদু চুমখি। অচৌবা উচেক ইগল অমগী মচিন্না চিক্তুনা পুরকপা থেঙ্গু অমা মাগী লংত্রিক লংবা মকোক্কী লৱাই লেম্ফুদা তারকপদগী পান্দুনা শিখি। আলেকজেন্দর দ গ্রেট নত্তবা গ্রীক্কী নিংথৌ আলেকজেন্দর কুমজা ১৯২০দা মানা য়োকচবা য়োং অমনা চিকপদগী শিখি। ৱেলসকী নিংথৌমচা ফ্রেদরিক কুমজা ১৭৫১দা ক্রিকেটকী বোলনা শাফু কন্না পানবদগী শিখি। বৃটিশ পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর ওইরম্বা হস্কিসনসু কুমজা ১৮৩০দা ত্রেন চেলহনবগী ফ্রেগ ওফ তৌবা নুমিত্তা ত্রেননা তক্তুনা শিখি। ফ্রান্সকী সিংহাসন কারগদবা নিংথৌমচা ফিল্লিন্সনসু ১১৩১দা লম্বীদা শগোল থৌদুনা লাকপদা লম্বীদা ওক অমা থোমজিন্দুনা শিখি। মীশি হায়রপ মান্ননা ১৭০১দা বৃটিশ নিংথৌ ৱিল্লিয়ম থ্রীসু শগোল থৌদুনা লাকপদা লৈবুং অমদা থোমজিন্দুনা শিখি। অঙকপা মীশি ঙাক্তনি। খ্বাইদগী হেন্না ঙকপদি স্কোটিস অইবা সার থোমাস অরক্কাহাটসু কুমজা ১৬৬০দা হৌনা হৌনা নোক্ল-নোক্লা অদুমক শিখি।

মসিনি পুন্সি হায়বসি, কনানসু তম্বা ঙম্বা নত্তে। কুমজা ২০২২ লোইশিল্লক্লবা মতমসিদা খুদোংথীরবা থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু কুমজা ২০২৩বু খৌরাংনা ওক্লবা শেম শাদুনা লৈখ্রে। হৌজিক্না মেরি খৃষ্টমাস মনুং, বাই বাই ২০২২দসু হরাও কুম্মৈদি লেপ্লোইদৌরি। তৌবতবু মপা মমা, অহল লমন ওইবশিংনা মচা মশুশিংবু পামদবা থৌদোক অমা অমুক থোক্তনবা শেন্নবীয়ু। লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবা পুলিস পর্সনেলশিংনসু পিক্নিক পার্টি, গাড়ী ওভর লোদতা য়াঙনা য়াঙনা থৌবা, ত্রাফিক রুল ঙাক্তবশিংবুসু কন্ত্রোল তৌবিরক্কনি খঞ্জে। ন্যু য়র লাকপবুদি তরাম্না ওকচরি। মীয়াম্বুসু এ ভেরি হেপ্পি এন্দ প্রোসপরস ন্যু য়র ২০২৩গী পাউজেল পীজরি। তৌবতবু অরিবা চহী চৎখিবদি কপ্লীংববু ফাওরকই। চহী হাপচিল্লকপা হায়বসিমক্তা “ৱি আর এপ্রোচিং টু দ দেথ পাথ” হায়বসিদা লানগনি নীংদে। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৯৮

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

লাইনীং শেমগৎলক্লবা হোৎনবদা করম্না শেমগৎলকখি হায়বগী অশেংবা থৌওংশিং খঙলকঙৈদগী, ঈনাৎকী অশেংবা ইচাক ইরলশিং য়াওদনদি খক ওইথোক্লোই খঙলবনিনা হৌগৎলক্লিবা নুপামচা নুপীমচাশিংদি মীরম লাইনীং লিচৎ থাজদবগী চাং নোংমা নোংমগী হেঙ্গৎলক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। মতাংসিদসু অমুক্কা হন্না থমজরি মদুদি মালেমগী থাজনা চৎনরিবা লাইনীং লাইশোন খুদিংমক অফবা মক্তনি। ফবা ফত্তবা, পাম্বা পামদবা হায়বদুদি মী মশা মশাগী অপাম্বনি। অদুনা মীরম হিন্দু লাইনীং লাইশোন (রিলিজন)সি ফবা ফত্তবগী ৱাফম নৎতবীদা ঈনাৎলোয় অমা ওইনা পামজদবগী ৱাফমনি। “ইমা মশক থী হায়নীংবা, মীগী মমাদি মশক থীদে হায়নীংবশিংনা খক কাউবীরোইদবদি মীগী মমানা ঐগী ইমাগী কৈদৌনুংদা মহুৎ শিনবা য়ারোই, ঙমসু ঙম্মোই।” অমুকসু, মীতোপ্পা হায়বদি লাইনীং লাইশোন অমদি লীচৎ-ৱাখল মান্নদবশিংনা ঈনাৎলোয়শিং ঐখোয়গী ফনবা চাওখৎনবা খক তৌগে খন্দে হায়বগী মতিক চাবা ৱাফম অমদি মে ১৫, ২০২২দা নেসনল মোন্যুমেন্ট ওথোরিটি (এন এম এ) গী চ্যেরমেন এস ঐচ তরুন বিজয়না ফোঙদোক্লম্বা ৱাফম, সঙাই এক্সপ্রেসকী মে ১৬, ২০২২দা ফোঙখিবা ‘মণিপুরগী মোন্যুমেন্ট মঙা এ এস আইনা ঙাক শেল্লগনি’ হায়রম্বসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ঈনাৎ লাইনীং লাইশোনগা মরী লৈনবা মফম/লাইফমলেন অমত্তা য়াওদে। কয়ারক হন্না হায়জখ্রে মদুদি অচুম্বা হায়বসি অফবা লাইনীং লাইশোন অমগী তঙায়ফদবা মচৎনি। ঈনাৎকী লাইনীংলোয়শিংগী অচুম্বা থৌওংদি ‘ঐখোয় ইশা ইশা ওইবশিংনা অমত্তা ওইনা পাথাং কোক পুথাং কোক্তগী লৈরক্লবা ঈনাৎকী মরু ওইবা ওইগদবা মখল খুদিংগী খোইয়ুম লাইশিংগী লাইফম্লেন লাইফমলেনশিং চীং-পাৎ তুরেলগী মীতোপকী মমীংশিংদা ওন্থোক্লগা থোনজিনখিবশিং, মীরম লীচৎ পামজবা মৈদিংঙুশিংনা ঙমই মতাগুম শেরান্ননা তৌশিনবীরমখিবশিং অশেংবা লাইরোলশিংনা পরৈ হন্দুনা মাঙলুরবা খিবিকপু য়োকখৎনবা চীং-তম থিদনা ঐখোয় অমত্তা ওইনা পুল্লসি। ষ্টেটসিগী মপি মপা ওইবিরিবা লৈঙাকপশিংদা হান্না হায়জ-নোঞ্জসি। হৌজিক হায়নরক্লিবা/হংনরক্লিবা ৱাফমশিং করি করম্বা মরম লৈবদগীনো? পূন্না খঙদোকমিন্নসি:-

i) ইপা-ইমা হেক লৈখিদ্রবা মতুংদগীদি ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন (রিলিজন) চৎলগনি।

ii) গৌড়গী চৎনবীদা শিখ্রবা অহল লমনশিংগী থৱায় মিরেলশিংগীদমক হিন্দুগী তর্পন অমদি লুক কৎপসি লমদমসিগী লাইনীং লাইশোনগী চৎনবী ওইনা লাংবন হৈশোই কৎপা/তম্বা অমদি লাংবন লূক কৎপনা মহুৎ শিনবা য়াফম থোক্লোইদ্রা? অদু ওইরবদি ঈনাৎ লাইনীং লাইশোন্দা ওইনা ওননিশন্নরক্লগনি।

i) অহানবগীসি মতম চানা পোকখায়নবা শেমখ্রবা টাইম বোম অমনা মতম চানা (রাইট টাইমিংদা) পোকখায়রকপা অমগা পাঞ্জক ওইবা অশেংবা থৌওং অমগী পাউদমনি। ইচানুপা অতোনবগা ময়াম্বগুম্না তিন্নবা অরাপ্পিদা লৈবা ইচা অমগী অপোকপী ইতৈমা লৈখিদবগী শোরাৎ (লান্ন-থৌরম) নুমৎতু ইশাগী তঙাইফদবা অচিনবা অমা লৈবদগী চৎপা ঙম্মোইদবা ফীভমদুগী খল্লগা সেপ্টেম্বর ২০, ২০২২দা ইচানুপা অতোনবগা লোয়ননা চৎলুবদা খঙলকপা নুংঙাইবা থৌদোক অমগী অশেংবা ৱারীনি। অয়ূক্কী পুং ৮ রোম তাবদা ইচানুপাদুগী ময়ূমদা থুংলুবদা ময়াম্বগা লোয়ননা মাঙুপ যাত্রা (উরেপ তম্নবা) হুন্নবা বামোন অমনা থৌরমদু পাঙথোক্লম্মী। ইমৌনুপীগা তাঞ্জা চান্নরুবদগী উন্নবদা ইমৌনুপীনা ফম্নবা ফিদাশিং পুথোক্তুনা থারম্লগা থক্লবা চা গ্লাস খরা পুরক্লগা পীরৈ। ইচানুপাদুসু যাত্রা হুনবগী (উরেপ তম্বগী) থৌরম লোইবদগী ঐখোয় অনীগী ইনাক্তা লাক্লগা, পাবুং লেঙলকপা উজরে অদুবু কৌবা মতাং চাদবদগী কৌদবনি, হায়রগা চা থকমিন্নে। ঙহাক ৱারী ৱাতাই তৌনরবা মতুংদা ‘সুম তৌবনি, ইতৈমগী শোরাৎ নুমিৎ সেপ্টেম্বর ২২, ২০২২, লাংবনগী ২৭নি পানবা শগোলশেন নুমিৎসি ইমুং অমগী অহল লৈখিদবগী থাবানসু তাবনা লাংবনগীসু ওইনা লুক কৎপগী থৌরমদু পাবুংনা (অইবনা) পাঙবীনবা য়াম্না মাঙজৌননা হায়রবদা সুম থোক্কনিদি খঙদবদগী য়াগনি হায়না হায়খিবদুগা নুমিৎ ফাংজন্নবনা, অনীমক অয়ূক্কী পুং ১১, থেংলবদা নুমিৎ য়ুংদ্রিঙৈগী মমাঙদা লোইশিননগদবা মক্তনিনা, নুমিৎতুদা লাক্কদবদু খুদোং চারোইদবা হায়বা ফীভম অমা ওইরে। ইতৈমগী শোরাৎতু য়াম্নদি য়াওনীংবনি, তাদা লৈখিদবা মতমদদি ঐ লাক্লগা য়াওখিবদু কয়াম নুংঙাইখি। ইতৈমগী হন্দক্কী মতাংসিদি য়াওদ্রে হায়দুনা ইচানা ৱারৌবীবা য়াদ্রে। য়াম্না নুংঙাইতে, অদুনা য়ামদি য়ামদে, ইতৈমগীদমক পোৎ চৈ লৈবদা পাবুংসু লুপা লিশীং অমতংদি হাপচগে।” য়াম্মনখ্রে পাবুং, খুরুমজরি। ইতৈমগী শোরাৎ নুমিৎ নীনিদা ঙাইরবনিনা মকুপ মতাগী থবক, চিথ্ নাম্থবা পোৎ মচা মশু লৈগদবসু মথৌ তাগদবনা পাবুংগা ননাওগা ঐখোয় অনীসু হন্নবা তৌরগে। নঙগী দ্যুতিদি অয়ূক্তা তাবনিনা লাকপদা খুদোং চাররোই। হোয় তাদা। পাবুং, থোঙ্গাল ময়া ফাওবদি থোকমিন্নরসি। অদুবুদি য়াইদা। পাবুংনা ইচাদগী খঙনীংবা মরম অমখক্তংদি - অহল লমন হাক্তক্তগীদি লাইনীং লাইশোনদি কমদৌরকই। “পাবুং, ঐখোয়গী ইপুবোক বাবা পোকপদু চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা কোনুংগী করিনো ফম্নাইবা অমদি ওইরম্মী হায়। ঐখোয় ইচিন ইনাওনুপা অনী, নুপী অহুম পূন্না ঐখোয় মঙা পোকপীরম্বা বাবাদি গৌড় লাইনীং লাইশোনদি তশেংনা পামখিদে অদুবু ইবুবোক্কী য়েংলগা পামদ্রবসু পামদনা গৌড় লাইনীং লীচৎতা পুন্সি অদুম লোমখি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি, নোংমা বাবানা ইমাগা পূন্না লৈমিন্নরম্বদা ঐখোয় দাদাগা ইবান্নি কৌশিল্লগা অসুম্না হায়বিরমখি - “ইপা অমদি নমাগা ঐখোয় অনীদি নপুগী য়েংলগা গৌড় লাইনীং পামদসু পামদনা চৎলিবসিনি। নমাগা ঐগা লৈত্রবা মতুংদদি ঐখোয় মীতৈনিনে, মীতৈ লাইনীং লাইশোন/লীচৎ চৎফম থোকই, নখোয়না অপাম্বা তৌ।” ঙসি ইতৈমগী শোরাৎকী মাঙুপ খনবগী যাত্রা হুনবসিদা ইচাগী লাইপক্তা নমশা পাকলৈ/মালেম লৈশা নম্বসি করি করম্বা ৱাখলদগীনো হায়না হংবদা ইচাসিনা য়াম্না ফজনা খুদক্তা থম্মোয় লকানুংদগী অসুম্না খুন্নকখি - “হৌজিক্তি বাবা অমদি ইমা মখোয় অনীমক লৈতবা হায়বসি শেংলবনিনা বাবানসু পামজখিবা ঈনাৎ লাইনীং/লীচৎ চৎলে হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবা হৌরবনি পাবুং।” ইচাগী অচুম্বা ৱাখলগী লেঙদবা ফিরেপ খঙবদা য়াম্না নুংঙাইরে। ঙসিগীদি কায়নরসি অদুগা নোংমা তাঞ্জা চাবা মতম অমদা ইপা ইচা ফজনা অতৈ হীরমদসু ৱারী শানসি। মদুদা লমদমসিগী মমিং ‘উরুপ অমদি অরাপ্তি’ করম্না থোনখিবা হায়বদুগী মতাংদা য়াওহনসি। ঙসি পাবুংনা ইনাওগা লোয়ননা লেঙবীরকপা য়াম্না নুংঙাইজরে। নচা লৈজহৌরগে পাবুং, খুরুমজরি। অসুম্না কায়নরগা ইচানুপা অতোনবগা ইবানি য়ূমদা ৱাখল য়াম্না নুংঙাইনা হল্লকখি।

ii) অনীশুবগীসিনা ঙসিগী খুন্নাইসিদা চৎকদবা অশেংবা লাইনীং লাইশোন/লীচৎকী লম্মুক্নরবা মতমসিদা য়াম্না হেন্না মতাং চাবদা নত্তনা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মসিগীদমক ঙসিগী খুন্নাইচাশিংনা পূন্না ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা অদুতনি ৱাৎলিবা/ঙাইরিবা হায়না থমজগে। “ঐখোয় ইশাগী অশেংবা শক্তম ঐখোয় ইশানা ঙাক্ত্রবদি মীতোপ কনানসু ঙাক্তুনা থম্নবা খক হায়বীরোই।” ●